HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



য়ুনিয়ন ওফ সোশল অপলিফ্টমেন্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্টনা দিষ্ট্রিক্ট এন সী দি সেল অমদি এ এ এমশিংগা খুৎশম্নদুনা লম্লোং কৈথেলদা পাঙথোকখিবা লেম্না লায়েংবগী কেম্পতা ডাক্তরনা পেসেন্ট অমা লায়েংখিবা

থম্মোয় পাউদম : ইরমদগী মীরমদা - ১ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ মচাশিংনা মমা-মপাবু হোমদা থম্বগী চৎনবীসিবু...

স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা দিজিটেল টেক্নোলোজিশিং... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ মণিপুরগী ক্রাইসিস ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনদ্রবদি...

ইন্দিয়াগী টুরিষ্ট, পিলগ্রিম কয়া নেপাল অমসুং... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ শান্নরোয়শিংনা মায় পাক্লবা মতুং লৈঙাক্লা...

মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী ৮-সী আর পি এফ বট্টালিয়নগী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না বিষ্ণুপুরগী দি সী পুজা এলাংবমনা আই দি পিশিংদা লাইরিক, ফিশাকোন অমসুং সিৱিং মেছিনশিং য়েন্থোকখিবা



Vol. 49, Issue No. 162 | ইরাই, লাংবনগী ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, September 12, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# চুড়াচান্দপুরদা গুরুং চৎকদৌরিব্রা : মোদি লাকপগী শেম-শাবশিং থুদেক্তুনা মৈ থাখ্রে, সিক্যুরিটিগা ফূনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস) :**

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ১৩দগী ১৪ ফাওবা মিজোরাম অমসুং অসামদা চৎকনি হায়বগী মনুং চন্না থা অসিগী ১৩দা পুং খরগী খোঙচৎ ওইরবসু মণিপুরদা লাক্তুনা কংলা অমসুং চুড়াচান্দপুরগী টুইবোংদা লৈবা পীস গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদবা মীফমদা ৱা ঙাঙলমগনি অমদি কংলাদনা লুপা ক্রোর ১,২০০ রোমগী অনৌবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গারমগনি অদুগা চুড়াচান্দপুরদনা লুপা ক্রোর ৭,৩০০ হেনবগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা উরেপ তম্লমগনি হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা ঙসি নুমিদাং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা প্রাইম মিনিষ্টর খোঙচৎকীদমক লম্বীগী নাকলদা য়ুংদুনা খাবা উগী শম্বল য়াওনা অতে লৈতেংগী পোৎলমশিং থুগাই-য়ানখাইদুনা মৈ থাখ্রে।



থৌওং অসি চথুরকখিবা খোইশাওনরবা মীয়ামগা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মরক্তা উতুপ-ৱাতুপ পায়দুনা কন্থৎনখিবদা নত্তনা য়াম্না চাউনা খূৎ থোক্লখ্রে।

থৌদোকশিং অসি থোরকপদগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগা লোয়ননা ঈরাং অদু লাকশিন্নবা অঙন্বা পাম্বৈ পুথোক্তুনা হোৎনখ্রে হায়রি।

থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা চুড়াচান্দপুরদগী ফংবা পাউনা হায়বদা ঙসি নুমিদাং পুং ৯.৩০

## চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী স্কুল কোলেজশিং নুমিৎ নীনি ছুটি থাদোকখ্রে

রোম তারকপদা খঙহৌদনা খোইশাওনরবা য়াম্লবা মীয়াম্না চুড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকাদা লৈরিবা পিয়রসন মুন য়াওনা দি ফাইলেন অমসুং বুংমোলনচিংবা মফম অহুমদা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎকীদমক লম্বীগী নাক-য়েৎতা য়ুংদুনা খাবা শম্বলগী উচুকশিং য়াওনা লৈতেংগী পোৎলমশিং থুগাই-য়ানখাইদুনা লৌথোক্লগা মৈ থাবা হৌরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মোদিগী খোঙচৎ মাঙওইননা ফুংয়র বি জে পিগী থৌপুবশিং শরিক হৈনৌ কেনবদৌনা কেল্লে

# ফুংয়র বি জে পি মন্দলগী থৌপুবশিং পাক্তক্লনা রিজাইন তৌরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস) :** চহী অনী হেঞ্জিল্লক্লবা মণিপুরগী লান অসি হৌরকপদগী মীৎকুপ অমত্তং ফাওবা মণিপুরদা লাকখিদ্রি অমসুং লান অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা চপ চাবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্ত্রি হায়দুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না খোইশাওনরিঙৈদা খঙহৌদনা থা অসিগী ১৩দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পুং খরগী খোঙচৎতা মণিপুরদা লাক্কনি হায়দুনা চপ চাবা থৌরাংশিং চৈরক্তা লৌখৎলক্লিঙৈগী ৪৩-ফুংয়র এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বি জে পি মন্দলগী প্রসিদেন্ট য়াওনা থৌপুবশিং অমসুং অতোপ্পা পার্টি অসিগী ৱিংশিংগী লুচিংবশিং শরিক হৈনৌ কেল্লকপদৌনা পাক্তক্লনা রিজাইন তৌখ্রে।

বি জে পিদগী তোক্লে হায়দুনা মশা-মশানা খূৎয়েক পীবা ফুংয়র বি জে পি মন্দল অমসুং মোর্চানচিংবগী প্রসিদেন্ট য়াওনা মীওই ১৩না খূৎয়েক পীদুনা পাউচেশিংদা য়েন্থোরকপা চেরোল অমদা মখোয় পূম্নমক বি জে পিগী প্রাইমারি মেম্বরশিপ্তগী পূন্না রিজাইন তৌরে হায়রি।

মন্দল অসিগী থৌপুবশিং পাক্তক্লনা রিজাইন তৌবগী খোঙজং অসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পেশল ইনভাইটি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# মণিপুর লৈঙাক্লা প্রাইম মিনিষ্টর লাক্কনি হায়না ওফিশল ওইনা হায়দ্রবসু শেম শাবদি লোইদৌরে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৩দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পুং খরগী খোঙচৎ ওইরবসু মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা অসিগী মতাংদা ঙসি নুংথিল ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওফিশল ওইবা চেরোল থোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবা লৈত্রবসু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী খোঙচৎ অসিগীদমক শেম শাবগী থবক চথুরকখিবা অদুদি লোইশিল্লক্কদৌরে।

মরু ওইনা নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎ অসিগীদমক লম্বী শেমজিনবা, রোদ দিভাইদর মচু শংজিনবা অমসুং টিদ্দিম লম্বী পরিংদা শম্বল খাবগী থবক কন্না চথুরক্লি। মসিগী মথক্তা কৈশাম্পাৎকী মফম খরদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফোটো য়াওবা হোর্দিংশিং দিভাইদরশিংদা য়ুংলিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিংগী সর্ক্যুলেশন হেনগৎলে : এ বি সী

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস):**

মুম্বাইগী বল্লর্দ ইষ্টেটকী স্প্রাউট রোদকী ৱেকফিল্ড হাউসতা লৈরিবা ওদিট ব্যুরো ওফ সর্ক্যুলেশন্স (এ বি সী) কী সেক্রেটরি জেনরেল অদিল কসারনা থোরকপা চেরোল অমদা এ বি সী অসিনা চৎলিবা চহীসিগী জন্যুৱারীদগী জুন থা ফাওবগী মনুংদা চথুখিবা ওদিট পেরিওদকী মনুংদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিংগী সর্ক্যুলেশন হেনগৎলকপা থেংনরে হায়রি।

হৌখিবা চহী ২০২৪গী জুলাইদগী দিসেম্বর ফাওবগী চথুখিবা ওদিটকী রেকোর্দ মতুংইন্না এ বি সীনা ওদিট তৌবা পাউচেশিংগী কোপি মশীং ২৮,৯৪১,৮৭৬ ওইখি। অদুবু চৎলিবা চহী ২০২৫গী জন্যুৱারীদগী জুন ফাওবগী ওইনা এ বি সীনা কোনশিন্দুনা চথুখিবা

...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## য়ু এন সীনা লল্লোন ইতিক্কী পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা থিংলকখিবদু হন্দোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ (ঐচএনএস):**

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না লুচিংবা নাগা সী এস ওশিংনা ঙমখৈ পরিংদগী লৌথোকখিবা এফ এম আর অমুক হন্না চৎনহল্লু অমসুং বোর্দর ফেন্সিং তৌবা য়ারোই হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা গভর্ণরদা অইবা চেরোল পীশিল্লম্লবা মতুং হোম মিনিষ্ট্রিনা কৌরকপদগী দেল্লীদা চৎতুনা মীফম পাঙথোকপদা য়ান্নদবদগী থা অসিগী ৮ অমসুং ৯গী লোন্নবা অহিংদগী মণিপুরগী নাগা তাবা এরিয়াশিংদা লল্লোন ইতিক্কী পোৎ চৈশিং পুথোক পুশিন তৌবদা থিংজিনবগী খোঙজং চথুরকখিবদু হন্দোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি য়ু এন সীনা থোরকপা চেরোল অমদা অথিংবা অসি ঙসি নুংথিল পুং ৬তগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

